# মণিপুর এগ্রিকলচর কদোমদা # ৭

# তমেংলোংনা কমলা কয়া পীবা ঙমগদৌরি

**I.** কুম্‌শি ২০০৩ - ০৪ গী তমেংলোং কমলাগী মেলা তাং ১৬ - ১৭ ডিসেম্বরগী আই: এস: টি: ভি: দা উই। হন্দক্কীশিগা অহুল্লক শুবনি ঐনা টি: ভি: দা উবসি। চহি খুদিংগী কমলাগী সাইজ হন্থরক্‌ই; মশক্ মচু লেক্-লেক্ লাওরক্তে। কুমশিমক্ উৎলিবা কম্‌লাদু কমলা পান্বী হনুবীনা পান্‌বা মাল্লি; নত্রগা থাবা কুইদ্রিবা শারেপ্ ফাদ্রিবা পান্বীনা পানবরা; পোৎতি ফৎত্রে। পূক্লিংদা খল্লি; কমলা মপূশিংসি য়াম্না শিংবা জাৎনি। কুম্মৈগী নংনবা ফত্ত-ফত্তবা মখৈ উৎলগা অফবা মখৈ লল্লোন্নবা থম্খ্রবা জাৎনি। মরমদি, মেলাগী মওং অদুনা তাক্‌পনি; অহানবা মকোক মথং তাহৌদ্রবদি য়াম্না মাংজবা জাৎনি। অহানবা, অনিশুবা অমসুং অহুমশুবদা পীরিবা কেশ প্রাইজ অদু ভারা কোন্নবা জাৎ নত্তে। অদুগীসু মথক্তা খুঙ্গং তাম্না-তাম্না চীংলক্তা লৈবনিনা য়াম্না অৱাবা মতৌ অমনি; তমেংলোং জীলাদা তৌরিবসি। ঐগী হক্‌থেংনবা এক্সিপিরিয়েন্স চহি কুনমুক্কি মমাংদা লৈখি। হৌজিক্ করিসু লন্বী থোং ফগৎলক্‌পগী ৱা তাবা ফংদে।

**II.** ঐনা খল্লিবা অসিনা চুল্লম্বা থোক্লবদি, হায়বদি অফবা কম্‌লা লোৎশল্লগা ফত্তবা ঙাক্তা উৎপা ওইরগদি ফৈ; তুংগী আশা লৈ। অদু নত্তদুনা উৎলিবা কম্‌লা অদুম্না মদুমক্ লোইনা অদুম্ পাল্লম্বা তারবদি ফেক্টরিনা লৌবিয়ু য়ারোই। য়ামদ্রবদা কম্‌লা অমদা লুপা ২-৩ পীদুনা চোইনা য়োনবদা হেন্না, শেন্দোং লৈগনি। মরম্‌দি ফেক্টরিগীদি ভারিগী থবক্লি। মখোইগী শৈন্দোং লৈতবা য়াদে; মহি হোমদবা কমলা লৈবা শেল্ মাঙ্‌ই। অদুনা হৌজিক্ উৎলিবা কম্‌লা অদু ফেক্টরিনা হৈ অমদা লুপা ১ ফাওবা পীয়ু য়ারোই। অদুগীসু মথক্তা তমেংলোং কৌবা বোটল্ নেক্ অমদগী মাও কৌবা মণিপুরগী বাউণ্ডরি বোটল্-নেক্ অমা তানা গাড়িনা ট্রান্সপোর্ট তৌগদৌরিবা অসি শাংখ্রবা লন্বীনি; গাড়ি ভারা য়াম্না চঙ্‌গনি। তমেংলোং হেড্ ক্কাটরদগী মাও ফাওবা অনৌবা অশম্বা লন্বী অমা শেন্লে হায়না খল্লবসু; তমেংলোং ডিষ্টিক্কী জিওগ্রাফিগী মওং অসি ময়ুংনা শাংবনি। আ-মখা (ফার সাউথ) মফম অমদগী আ-অৱাং (ফার নোর্থ) খা-অৱাং ময়ুংনা শাংবনি। কম্‌লা য়াম্না ফরবসু মখা (south) হায়থরগা ফবনি। ফিভম্ অসিদা মাওদা লৈরিবা ফোরেন টেক্নোলোজীগী ফেক্টরি অসিদি হৈ জাৎ অসি টোন লাখ কয়ানো - শুংদৎলগে - শাইদৎলগে হায়বা ইফিসিয়েন্সি য়াম্না লৈবা মেছীন্‌নি। হৌজিক্ -হৌজিক্, ঙসি - হয়েংসি তমেংলোং ডিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্কী কমলা অসি লোয়না হেক্লগা পীবদা পুং ২৪ ফানা শুংনিংঙাই লৈবা নত্রি। মসি তমেংলোংগী কম্‌লা থাবদা হৈনরবা লৌমীশিংগী তন্‌বগী নত্তে; অশুক কুইবসি পারি-পূরি হাক্তক্তগী কমলাদা থাদুনা লাক্লবনি। য়াম্না থাবা কান্নদে; য়োন্নিংঙাই মফম লৈতে; য়াম্না থারগা মমল্ হোংনা য়োন্‌বদি খুৎশুমন্ হঞ্জন্দে হায়দুনা অকক্লবা কমলা-লৌফম খরদা সুম্ থারগা লৈরিবনি। কমলা পান্বী অয়াম্বা চহি ৩৫-৪০ গীনা অয়াম্বনি। নৌনা থাবদি য়াম্না থারল্লগনি অদুবু পানবা য়াবা কম্‌লাগী শারেপ-পান্বীদি য়াল্লম্‌খিরোই। হোর্টিকল্‌চর ডিপার্টমেন্টকী চপ্-চাবা সর্ভে তৌরবরা ঐ খঙ্‌দ্রি। করি খুন্দা কম্‌লা পান্বী কয়া হৌবা। চহি ৫ ফারবনা কয়া ফাদ্রিবনা কয়া; ৫-১০ চহিগী পান্বীনা কয়া; ১০-২০গীনা কয়া; ২০-৩০গী; ৩০গী মথক্কী কয়া; ৫০ গী মথক্লা কয়া অসিনচিংবা চপ্ চাবা সর্ভে রিপোর্ট অমা পাইরগা প্রোব্লেম্ এরিয়া অদু খঙদোক্লগা মমাই চুন্বীগদৌবনি। তৌরম্বদি য়ারে; লৈরিবা কম্‌লাগী ৱেভ অসি য়েংলুরগদি। অদুনা ৱাফম্ অসি অসিৱাইদা ঙহাক্তং লেপ্লগা, মহি হোম্বা কম্‌লা পুথোক্‌পগী মতাংদা পরপ্-পরপ্ লাকশি।

III. অহানবদা, মথং মথং নিংশিংনরবদা কল্লা পাম্বীগী মরা (রুট্) অসি সর্ফেস-ফিদর হায়বদি মরা অসি অৰাথবী পাম্বীগুম মথক্তা তাওখৎপনি। অদুননি, থাইনগী অহলশিংনা কম্‌লা চম্প্রা মখোংদা চহি খুদিংগী লৈপাক্ খোৎকৎলিবদো। চীংদদি কদাই; অঙন্বা চীংমাইদা নোং য়াম্না কন্না তাবা তমেংলোংদদি লৈবাক লৈমাই অসি চহি খুদিংগী ইঙ্কিগী পৌৰা অমদি চাম্‌থোক্‌ই; মরম অদুনা চহি ২০ গা শুরক্লবদি খোংনাং পাম্বীদৌনা মরা-শিংলি অচৌ-অচৌবা উবা হৌরক্লগনি। মরাগী মচীঞ্জাক্ লৈহাও ৰাৎতুনা লাইনা-তিন্না হেঞ্জল্লক্লগনি; মহৈ পীকশল্লক্লগনি অদুনা অসুম অসুম মৈতৈ পাওরৌদা গৌরমীথাই মীশিদা (স্লো এণ্ড ষ্টিদি দেথ্) অসুম চহি ৩০ দদি ইকনোমি ফ্রুট প্লান্ট ওইদবনি। সাইত্রস-ডিক্লাইন (Citrus decline) কম্‌লা শিথরকপা হায়দুনা ল্যাইচৎ অমদৌনা মতোন্দগী অসুম্ অসুম্ শিবা ঐখোয়না উরিবা অদুনি। মশা ( Branch) শিং অদু মতোন্দগী খরা খরা কংথরক্তুনা পাম্বী অদু লোইশিল্লি। মদুদা তারিবা লাইনা অদু হিদাক্ কাপ্লগা হেক্তা ফগদৌবা নত্তে; মখোঙ্‌দা লৈবাক হাপ্লগা ফগদবনি; হার হাপ্লগা ফগদৌবনি; চহি খুদিংগী শুনু গ্রাম ১০০ দগী ৫০০গী চাংদা পাম্বী অমদা চহিগী মতুং ইন্না চাইবিরগা - কুমগী নোংলাক্‌পদা উরিয়া; ডি: এ: পি; পোটাশ হাপ্‌কদবনি। নত্রগা কম্পোস্ত শেন্বীরগা হাপ্‌পীগদবনি। হায়রিবা পূম্নমক অমত্তা নিংথিবা থবক্ পাংথোক্‌পা য়াদবনি। মরমদি অঙন্বা চীংনিনা কুমগী নোংজাও লাকপদা ঈশিংনা লোইনা চাম্‌থখিগনি। অদুনি তমেংলোংগী দশা; চীংগী দশা; মখোইনা ৰারিবসি মসিনি। মতাং অসিদা খঙ্জন্‌বা কান্নবা অমনা, Oppenheimer না ১৯৩২ পুথোক্‌খিবা রিছার্চ ফাইন্দিং অমগী মতুং ইন্না, কম্‌লা পাম্বী চা-মরি (৪০০) হৌবা হৈকোন-লৌ পরি অমদা চহি খুদিংগী নাইট্রোজেন কিলো ২৪৩; পোসফোরস পেন্তোকসাই কি: ৫৪; পোটাসিয়ম্ ওক্সাইদ কি: ২০৫ চাথোক্‌ই। হায়রিবা চাং অসি ইয়ুরিয়া; ডি: এ: পি: অমসুং ম্যুরিয়েট্ ওফ পোটাস কী হিসাবতা পারবদি চাওরাক্লা কি: ৫০০, কি: ১২০, কি: ৪০০ মথংশিংনা ওইগদৌরিবনি। চহি খুদিংগী অসুক য়াম্বা হার চাথোক্লি বা অসি ফাওবদা চহি ১০-৩০ হার শুকহাপ্ হাপ্‌পা তৌদনা কম্‌লা পঙ্‌হেক্তা হেক্‌তৎপদা কম্‌লা পাল্লিবা অসিনদি তমেংলোংগী লৈহাও অসি য়াম্না ফখ্রবা জাৎনি। নোংচুবদা লৈবাক লৈমাই চামথোকপা অসিদং ঙাক্‌থোক্লবা হোৎনবদা অমসুং থৌরাং অসি মায় পাকপদা চহি খুদিংগী Fertiliser অমুক হাপ্‌ত্রবসু য়াগনি হায়বা ঈঙ্গিৎ অমা উৎপগুম্ তৌই।

IV. অদুনা সরকারগী ডিপার্টমেন্টকী অকনবা মীৎয়েং চঙ্‌বা তঙাই ফদবা লাকই। সরকারগী দায়িত্যদি, অশম্বদা, ফেসিলিটেটর হায়বদি খুদোং চান্‌বা শিনবিবা অসিতনি। মতাং অসিদা য়াম্না শাংথজররোই। ডিপার্টমেন্টকী এক্সপার্ট মতিক্ চাবা লৈবনি; তৌদদনা তৌবিরনি; তৌহন্‌গদবনি। চীংদা কম্‌লা থাবদি মখোংদা লৈপাক্ খোৎচনবা য়ারোই। চীংথক্তগী চেস্থরক্‌পা লৈচ্রেং কমলা মখোংদা ফাগদবনি। “ সিল্ট সিঙ্ক ” মখল্ খরগী নমুনা, স্লোপ্‌কী ফিভম্ য়েংলগা, শিজিন্নগদবনি। খ্বাইদগী লাইবদি, হৌরিবা কমলা পাম্বী নত্রগা থারিবা কমলা চারা অদুগী মউ (Trunk) দগী ফু: ৫-৬ চথরগা থা মচেৎ শানা চৈনা কুংনা অমসুং parallel ওইনা য়ুংগদবনি; অদুগা নাপীনা চৈগী কারক্তা মেন্‌শন্‌গদবনি। মসিনা চহি খুদিংগী লৈচ্রেং খরা খরা অসুম ফাজন্দুনা কম্‌লা চাওখৎলক্‌পগা লোয়ননা মখোংদা লৈচ্রেং তোংখৎলক্‌পা অনি-অসি পূন্না চৎমিন্নদুনা মতোমতা লৈবাক খোৎচন্‌বগা চপ্ মান্নগনি। মসিদগী খরগা অমুক চেকশিল্লবদা থা-মচেৎ শানা য়ুংলিবা চৈ অদুগী পরেং অনি অদুগী মরক্তা Leguminous Shrub নত্রগা Tree নচিংবা, মরাদা পাম্বীগা Nitrogen Competition তৌদবা খল্লগা থাবিগদবনি। চীংদা খং-পাম্বী পক্লবনি। ফূ: ২ দগী হেন্‌গৎতনবা চহি

খুদিংগী ককপা য়াই। মনা নত্রগা মহৈসু edible food নি। শা-ষল লোইবগী শজিক লৌগে হায়রবদি Elephant Grass ফাবা য়াই। লৈহাও খরা কম্পীটিশন্ তৌই; মদুগীদি মখোই অনিমক্কী ওক্লবা হায় নত্রগা কম্পোস্ত চহি খুদিংগী পীবা তাই। থবক অনি কান্নগদৌরিবনিনা থোইনা অমাঙ্বা লৈতে। চহি খুদিংগী অখঙ-অহৈ তান্নরগা শুনু চাইবা তাই। Stem borer ঙাক্থোক্লবা কম্লা মখোংদা ফু: ১১/২ মুক ৰাংনা শুনু বোর্দো মিক্চর য়ানশল্লগা তৈবা য়াই। চহি খুদিংগী মীরাং থুরক্পা অকুংবা মশা-মরেং চপ্থৎপা তাই। হৈ কেন্দনবা-তীন্-লাইনা গী হিদাক কাপ্পবা Sprayer থম্বা তাই। পুন্নমক ডিপার্টমেন্টকী Expert শিং লোইনা খঙ্বনি। অদুগা ইহান্-হানবদা মথক্তা পনখিবা Detail সর্ভে অমা Plant Populations চহিগী কেটগোরি মতুংইন্না থল্লগা Expected Yield Estimate তৌরগা অদুগী মতুংদা Factory গা হায়না শীংনদুনা orange growers শিংগা শম্জিন্নবিগদবনি। হৌজিক্ তৌরিবা অসিনদি য়ারোই। কুম্শিগী Plan budget দা হাপত্বা য়ারোই। খরা থেংথখ্রবদি Reversion থোক্কনি। হৌজিক্ তৌরিবা অসিনা কুইনা তুংকোইবা (Sustainable) ওইরোই।

**V.** ইনৌ-নৌনা হৌশি হায়রবসু মতম চপ্ চারি। Horticulture Officer ৫-১০ দং Hessaghatta দা লৈরিবা Indian Hort. Research Institute তা থা-মখাই অমত্তং থারুবা য়াই। মখোইগী Research Factory দা Nutrition , Cultural Practise/Budding / Grafting নচিংবা খরসু উরক্লবা officer শিং চৎহন্বা য়াই। পূক্লিং খরসু নৌথোরক্কনি। Coorg নচিংবা য়েংলক্পা য়াই। তৌবতবু চেকশিন্গদবা অমনা মখোইগীসিদি Research কী থবক্লি না, কম্লা Variety মমিং ফজবা, খুদম ওইনা অৰাং ভারত্তা য়াম্না শিজিন্নবা Satsumà orange, Japan গী Kinno mandarin; Brazil গী মমিং চৎলবা Valencia Orange, মধ্য-ভারতকী Nagpur ; খা-ভারতকী Coorg mandarin গাদি মণিপুরদা পূশিল্লকপা য়ারোই; Virus prone ওইবনি। মখোইগী vareity শিং অদু মণিপুরদা মনম্ নম্হনবা য়াদে; Tristeza virus, Greening mycoplasma গী লাইনা য়াম্না নাগন্বা কমলা জাৎনি। মখোইনা কমলা পামজবগী ৰানি; কম্লাগী Climate লৈতবনা হাওতবগী জাৎতি লোইরবনি। মণিপুরগী মকু হোপ্-হোপ্ লাওবী অসি Khasi-Mandarin কৌবনি। Nagpur দগী হেন্না হাওবা (খত্তা-মিথা) কম্লানি; মখোইনা য়াম্না পাম্জবনি; Climate না উপাই লৈতবা। অদুনা নুমিৎ ১৫ নিদং লৈরুরগা হল্লক্পদা Meghalaya গী I.C.A.R. Research farm দা নুমিৎ ৫ নিদং লৈরুরগা য়ারে; অদুদগীদি Will Power খকতং পুথোক্লগা তমেংলোং কম্লা অদুম্ ফরগনি।

**VI.** মতাং অসিদা চেক্শিন্ ৰাহৈ অমা অখঙ্-অহৈশিংনা খন্নহন্নিংই। মদুদি অফবা seedling পুথোক্কদৌরিবনি হায়দুনা Trifoliate orange, Rough lemon নচিংবা hardy root stock মথংগী এক্সিবিসনদি, মখাগী থৌরম খরশি থবক পাইখৎহন্নিংই।

(ক) হোর্টিকলচর ডিরেক্তর, কমিশনর অমসুং মিনিষ্টরনা কম্লা মেলা য়াওবা Mandatory ওইহনবিবা।

(খ) প্রাইজ Value হেনগৎহনবা; ডিষ্ট্রিক্ট Level গী I, II & III rd prize গী মথক্তা Sub-divisional Level I, II, III prize থম্বা অমসুং Sub-Division খুদিংগী Consolation Prize ৩/৩ থম্বা। প্রাইজ অমসুং কোন্সোনেসন্ ফংদবা Participant খুদিংদা লুপা ১০০০/১০০০ Cash Award পীবা।

(গ) Beauty Contest তৌরবসু কমলাগী ফোকস্ চাইথোক্হনবিদনবা ষ্ট্রেটজি হান্না প্রোগ্রাম্মিং তৌবিহৌবা।

(ঘ) Horticulture Deptt. কী Officer-in-charge না Sub-Divisional গী ওইবা Fruit Quality and Volume of Exhibition Documentation তৌবা; Audio-Visual অমসুং Written Record - চহি খুদিংগী Monitor তৌবা; Souvenir ফোঙ্বা; Primary Data Collection তৌবা; হেক্ মথংদা Follow-up programme ওইনা Field Survey তৌদুনা চহি খুদিংগী Ground-truth রিপোর্ট ফোঙ্বা।

(ঙ) Exhibition দা পুরক্পা লাইরবা লৌমীশিংগী কম্লাশিং (exhibits) অদু শায়েন-ঙায়েন্নবগুম মাঙ্হনবগী মহুত্তা Consortium না নত্রগা Horticulture Department না Government Decision অমগী মখাদা Buy-back policy থ্মদুনা নত্রগা Private factory অমগা Dovetail তৌবিদুনা লৌমীগী নামৎ মৎপিদন্বা শিনবিবা।

(চ) Horticulture Department না হান্না খঙদোক্লবা Plant অমসুং Soil Survey গী assessment মতুংইন্না Participants শিংদা পাম্বী অমদা Slake lime চহি অমদা Gram ১০০/৫০০ পাম্বী অমমমদা হাপ্নবা পীবদা শুনু কিলোগ্রাম / টন্ কয়া দরকার লৈবা Estimate তৌদুনা পীনবা Preplan তৌবা অমসুং মদুগী দরকার লৈবা Technique অদু তম্বীনবা exhibition মনুংদা farmers Training তৌবা।

(ছ) ঙম্লবদি Sub-Division wise মেলা তৌবা - Data Collection / Documentation তৌহৌবা; অদুগী মতুংইন্না লাইরিক্ মচাদগী অচৌবা Value লৈনা liberary-worthy লাইরিকশিং ফোংহৌবা।

**VI.** অরোইবদা মোরে (Moreh) মাইকৈগী Molcham এরিয়া অদু মহৌশাদি কম্লা য়াম্না ফখিবনি। Tipaimukh কী Mandarin orange মতম্ অমা Topper ওইখিবনি। অইবগী uptodate information লৈতে। হৌজিক্কী ফিবম্গী পাও য়েংবিরগা ওল্লকপা চহিদা মেলা অমত্তং পাংথোক্পা কান্নগদ্রা য়েংশন্বিহৌবা পামজে। মরি লৈনবা ৱাফম অমনা, কম্লা localised ওইবা মেলা তৌবা কান্নদে; District level দা তৌরিবা অসি ফরিবনি। মরমদি থৌরাং অসিনা ডিষ্ট্রিক্তা অদুগী Sub-Division পুম্নমক্কী Comparative Status অমগী Documentation তৌহৌবগী খুদোংচাবা লৈ। অপুন্বা মীৎয়েং (তোতেল্ সিনারিও) খঙ্লবা মতুংদা অপুন্বা শক্তি (তোতেল সিনর্জি) শাগৎপা ঙমলবতদা Planning Commission দা Approach paper মাইকৈ চুম্না পীবা ঙমগদৌরিবনি। মেলা তৌবা হায়বসি কুম্মৈ নত্তে; য়োজনা অমসুং পরিয়োজনা ডিভেলোপ তৌবা ঙম্নবা মচাক্ তান্নবা Socio-Cultural workshop অমনি হায়বা principle অমা লৈবনি। অদুনা Cultural programme না থুম্হৎপা exhibition programme চথরবদি খুদম ওইনা ঈশৈগী থৌরম্ অমদা যন্ত্র (Musical instruments) য়াম্না মখোল হৌমন্দুনা ঈশৈ ময়েক্ (lyrics) তাবা ফংদবদগী চরাংনদুনা তোক্পা অদুগা চপ্ মান্নগদৌরিবনি। কুমশিংগী Tamenglong orange festival অদু orange দগী defocus তৌদুনা orange queen দা focus খরা হায়দোক্খিবা ওইনা পূক্লিংদা ফাওই।

**(A. Ibotombi Singh)**
24/01/2004